# পিয়োংয়াংনা মখা তানা কিহল্লক্লবদি নোর্থ কোরিয়া পূমলোই লোইশিল্লগনি : য়ু এস





ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ নেসন্সতা চয়োল অমা চুপ্পা উবা ফংগদৌরিবা অহোংবা কয়া লাকহনবা য়াবা ডিপ্লোমেসিগী মাঙওইননা দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা নোর্থ কোরিয়াদা চেকশিনৱা পীরদুনা করিগুম্বা পিয়োংয়াংনা হালেংবা লৈতনা চথুরিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলগী খোঙজং লোইশিন্দবা তারবদি নোর্থ কোরিয়াবু মখৈ ফংনা মাঙ-তাকহন্দুনা লৈবাক অমা ওইনা মালেমদা লৈহল্লরোই হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী ওফিসলশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংনা লান পান্বা হেনগৎলকপগী মওং উরিবা পিয়োংয়াংবু লাকশিন্নবগী লম্বীশিং থিরিঙৈ মরক্তা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙগনি অমসুং শগোলশেন নুমিৎতনা মীফমদুগী নাকোইননা মহাক্কী জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লেংমান্নবশিংগা ৱারী শানগনি।

ট্রম্প অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ফোনদা ৱারী শানখি অমসুং কিম জোং-উনগী রেজিমদা হেন্না কনবা প্রেসর পীননবা ৱারেপ লৌমিন্নখি হায়না সাউথকী প্রসিদেন্সিয়ল ওফিসনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা কাইহৌরক্লবদি নোর্থ কোরিয়াদা লৈবাক অসি মাঙ-তাকপগী লম্বীদা লাক্লগনি হায়বসি খঙহনগদবনি হায়নসু লূচিংবা অনীনা য়ানখি হায়না প্রসিদেন্সিয়ল ওফিসনা মখা তাখি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অনৌবা অথীংবা কয়া থমখি, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী চৈথেং অদুদি পিয়োংয়াংগী মীচং অমসুং মরুওইবা শেল-থুমগী পার্টনর ওইরিবা চাইনানা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ৱার্কর লীশিং কয়াগী থবক শুফম ওইরিবা রশিয়ানা মখোয়বু মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্কদ্রা হায়বসিগী মখা পোনগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবা ৱাশিংটনগী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা ন্যু য়োর্ককী মীফমশিংগী মাঙওইননা ৱাহৈগী প্রেসর কনশিল্লদুনা করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস অমসুং মসিগী মীচংশিংদা অরুবা ফিভম অমদা কিহল্লক্লবদি 'নোর্থ কোরিয়া পূমলোই লোইশিনগনি' হায়খি।

মমাঙদা ট্রম্পনা পীখিবা ৱার্নিংদা হায়নবা য়াদবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা 'মৈ অমসুং অশাওবগী' নোং হৈথগনি হায়খিবদু করিগুম্বা মচাক অমৎতা য়াওদবা থ্রেট অমা নৎতে হায়না হেলিনা হায়খি। 'ঐখোয় কনামত্তনা লাল পামদে হায়না হেলিনা সী এন এনগী ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি। "ঐখোয় রেস্পোন্সিবল ওইনিংই অমসুং ডিপ্লোমেটিক পান্থৈ শীজিন্নদুনা ৱাথোক অসি লোইশিনবা পামই। মদুনা কান্নদবা তারবদি য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি-জেনরেল মাটিসনা মদুবু য়েংশিনখ্রগনি।"

# নৱাজ শরিফকী লোয়নবী কুলসূম বাই-ইলেক্সনদা মায় পাক্লে



ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
মফম তাখ্রবা পাকিস্টানি প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা হাংহল্লম্বা পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মরক্কী মীখলদা মহাক্কী লোইনবী কুলসূম নৱাজনা মায় পাক্লে হায়রি। মসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসল ওইদবা রিজল্টশিংনা উৎখিবনি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী কেপিটেল লাহোরগী নেস্নেল এসেমব্লি সীট অদু পাকিস্টানগী সুপ্রীম কোর্টনা হৌখিবা জুলাইদা করপসনগী চার্জশিংদা নৱাজ শরিফপু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকখিবদগী হাংলকখিবনি।

কুলসূম নৱাজনা হৌজিক ফাওবদা ভোট ৬১,৭৪৫ ফংখ্রে, অদুগা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা পাকিস্টান টেহরিক-ঈ-ইনসাফ (পি টি আই) গী য়শমীন রশিদনা ভোট ৪৭.০৯৯ ফংখ্রে হায়না ইলেক্সন ওফিসল অমনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং কুলসূম নৱাজ মায়থীগনি হায়বগী থাজনবা লৈত্রবসু ভোট মশিং থীবদি মখা তানা চথুরি হায়রি।

শরিফপু ডিসক্বালিফাইদ তৌখিবদগী তঙাইফদনা পাঙথোক্লিবা কন্টেষ্ট অদুদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা শৈইখ অঝার হুশাইননা ভোট মশিং ৭,১৩০ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি। ভোটর চাদা ৩৯.৪২ না মীখল অদুদা ভোট থাদনখি। মরুওইবা ওপোজিসন পাকিস্টান পীপলস পার্টিগী ফাইশল মিরনা শুপ্পগী ভোট ১,৪১৪ ফংখি। পঞ্জাব প্রোভিন্স অসি নৱাজ শরিফকী পাকিষ্টান মুস্লিম লীগ (পি এম এল - এন) গী পাৱর বেজনি হায়না লৌনৈ হায়রি।

মীখল অদুগী ওফিসল রিজল্টশিংদি ইলেক্সন কম্মিসননা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লাউথোক্কনি।

হৌজিক লন্দনগী হোস্পিটাল অমদা কেন্সরগীদমক লায়েং চথুরিবা কুলসূম নৱাজনা ভোটরশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লে হায়না মহাক্কী মচানুপী মরিয়ম নৱাজনা সপোর্টরশিংদা পীবা স্পীচ অমদা হায়খি। মহাক্কী মমানা মায় পাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়বা খঙনরকখিবগা লোয়ননা সপোর্টর লীশিং কয়ানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখিবনি।

মমাগীদমক ইলেক্সন কেম্পেইনদা মকোক চিংখিবা মরিয়ম নৱাজনা সপোর্টরশিংদা হায়খি মদুদি, পাকিস্টানদা লৌতুনবা অমসুং কাং-খোং চাইবগী ফিভম লাকহনবা পান্বশিংদু মীয়াম্না য়াখিদ্রে।

লাহোরদা পার্টিগী ইলেক্সন ওফিসকী মপান্দা মহাক্না 'হৌজিকসু নৱাজ শরিফ মীয়ামগী থম্মোয়নুংদা হিংলি' হায়খি।

পি টি আইগী কেন্দিদেট য়সমীন রশিদনা পোলিং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মেনেজমেন্টতা অশোয়বা কয়া লৈখি অমসুং ইলেক্সন ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়খি।

## লন্দন সবৱে এটেক : সস্পেক্ট ১ মশক খঙখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
মীওই ৩০ শোকহনখিবা লন্দনগী ট্যুব ট্রেন অমদা চথুখিবা টেরর এটেক্কা মরী লৈননা ফাগৎখিবা সস্পেক্ট অনীগী মনুংদা অমা পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মশক-মমিং তাকথোকখ্রে।

পুলিসনা ফাদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়াহয়াহ ফারুখ কৌবা মশাগী চহী ২১ শুরবা মীওই অদু ওফিসরশিংনা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা ৱেষ্ট লন্দনগী হাউনস্লো এরিয়াদা লৈবা ফ্রাইদ চিক্কন সোপ অমগী মমাঙদা খান্বগী শক্তম পিকচরশিংদা উবা ফংখি হায়না গর্দিঅনগী পাউনা হায়রি।

মেট্রোপোলিটান পুলিস ওফিসর-শিংনা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা এরিয়া অদুদা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথুখি।

হিথ্রো এয়রপোর্টকী মপানগী বাউন্দরিদগী মিটর খরদমক লাপ্পা সুরিগী মনুং চনবা মনাক নকপা ষ্টানচলদা লৈবা ফারুখকী ময়ূমগী এদ্রেসনি হায়বা মফম অমসু ওফিসরশিংনা সর্চ তৌখি।

এটেক চথুখিবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১৫ গী নুমিদাংদা দোভর হিথাংফমগী মনাক্তা ওফিসরশিংনা চহী ১৮ গী লেঙ্গা ওইবা মীওই অমা লেপহনখিবা মতুংদা ফারুখপু অনীশুবা মীওই ওইনা ফাখিবনি।

পার্সন্স গ্রীন ষ্টেসনদা চথুখিবা এটেক অদুদা ৱিমব্লেদনদগী নোংপোক্লোম পাংলকখিবা ডিষ্ট্রিক্ট লাইন ট্রেনগী কেরিয়েজ অমগা তাইনবা মফমদগী মৈবুল অমা কাখৎপা উখি।

ফারুখকীনি হায়না থাজনবা ফেসবূক প্রোফাইল অমগী মতুং ইন্না, মহাক সিরিয়াগী কেপিটেল দামাসকসতগীনি অমসুং ৱেষ্ট টৈমজ কোলেজদা ইংলিস তমখি হায়না গর্দিঅননা ফোঙদোকখি।

প্রোফাইল অদুগী মতুং ইন্না, মহাক লন্দনদা লৈবা ইভেন্টস কম্পনি অমগী থবক তৌই হায়রি। লোকেল কাউন্সিল লীদর ইয়ান হার্ভিনা হায়খি মদুদি চহী ১৮ গী নহা অদু মমা-মপা লৈত্রবা ইরাকি অমনি অমসুং মহাক চহী ১৫ শুবদা য়ু কেদা হোংখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা 'সিভিঅর' টেরর থ্রেট লেভেল হায়বসি এটেক অমা হেক্তা পাঙথোরকপা য়ানা লৈ হায়বগী ৱাহন্দোক লৈত্রবসু পাঙথোরকপা য়াবগী চাং ৱাংলি হায়না লৌগদবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

থি-হুম্বগী থবক্তু নিংথীনা খুমাঙ চাওশিল্লি হায়না হোম সেক্রেটরী অম্বর রুদনা ফোঙদোকখি অমসুং মীপূম খূদিংমক্তা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা তৌইগুম্বসুং মীপাইবনচিংবা তৌদনবা অপীল তৌখি।

## অবেনা য়ু এনদগী হল্লক্লগা ঙন্না মীখল পাঙথোক্লবগী মতম লেপ্লগনি

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ৱা ঙাঙলুরগা মহাক্না ইরাই নুমিৎতা হল্লক্লবা মতুংদা মীখল ঙনখৎনা পাঙথোক্লবগী মতমগী মতাংদা মহাক্না ৱারেপ লৌরগনি হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ফোঙদোকখ্রে।

'লোৱর হাউস মুখৎপগী মতাংদা, ঐহাক্না ৱাহং খূদিংমক্কী কম্মেন্ট পীবা পামদে হায়নিংই, তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না য়ূমদা হল্লক্লবা মতমদা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়না অবেনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ন্যু য়োর্ক পাংলমদাইদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্না লূচিংলিবা কোলিসন গভর্নমেন্টতা ৱাথোক কয়া পরিং নাইনা থোকখ্রবা মতুংদা মহাকপু মীয়াম্না য়াবগী রেটিং হেনগৎলকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা অবেনা জেনরেল ইলেক্সন য়াম্না ঙন্না ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্লবা খন্নরিবনি। মহাক্না মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিগী মওং-মরিল তাদবা ফিভমগী খুদোংচাবসু লৌবা পামই হায়না গভর্নমেন্ট অমসুং রুলিং পার্টিগী সোর্ছশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা অনৌবা মীখল অমা কৌনবা খন্নরিবসি কুমজা ২০১২ গী ডিসেম্বরদা মহাক্না পাৱর পায়খিবদগী অহুল্লকশুবনি।

অবেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি অমসুং ন্যু য়োর্ক ষ্টোক এক্সচেঞ্জদা ৱা ঙাঙগনি অমসুং ইরাই নুমিৎতা জপানদা হল্লক্লিঙৈদা মহাক্না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইনগসু মীফম পাঙথোক্লবা হোৎনগনি।

মীখল ঙন্না পাঙথোকপনা ওপোজিসন ডেমোক্রেটিক পার্টিগী মীওইশিংনা চোংথোক-চোংশিন তৌবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াহনগনি অমসুং মীয়াম্না পাম্নরবা টোকিয়োগী গভর্নর য়ুরিকো বোইকেগী মীচংশিংনা অনৌবা পার্টি অমা শেম্বদগী লাক্কদবা শীংনবসু ময়ায় চমহনগনি হায়রি। গভর্নর য়ুরিকো বোইকে এল ডি পিগী লোমেকর অমা ওইরমই।



মীখল অদুনা লোৱর হাউসতা লৈরিবা অবেগী কোলিসনগী শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি মাঙহনবা য়াই তৌইগুম্বসুং এম পি মশিং খ্বাইদগী য়াম্বদি ওইখিগনি হায়না পোলিটিকেল সোর্ছশিংনা হায়রি।

# হামাসনা পালিষ্টিনিয়ন য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমদা গজা শিন্ননবা শেম শারে হায়খ্রে



কাইরো/রামালাপু, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
হামাসনা গজা ষ্ট্রিপ রন তৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসন মুখৎপগী ৱাফম য়ারে হায়না গ্রুপ অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মসি প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসকা চহী ১০ কন্না মুক্নরকখিবা মতুংদা পালেষ্টিনিয়ন য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমদা এনক্লিভ অদুগী লৈঙাক শিন্ননবগী মায়কৈদা থাংলকপা খোঙথাং অমনি।

কুমজা ২০০৭ তা পালিষ্টি-নিয়নশিংনা অতেনবা সিভিল ৱার অমা শোক্লখিবদগী গজাবু লৈঙাক্লকখিবা ইস্লামিক গ্রুপ অদুনা হায়খি, মীওই মিলিয়ন অনীগী টেরিটরি অদুবু রন তৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অদু মুখৎলগা য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমদা পাৱর শিন্ননবগী থৌনা লৈবা অমসুং মরৈবাকপু নুংশিজবনা লিচিং ওইবা ৱারেপ অমা লৌরে।

হামাস অমসুং অব্বাসকী সেক্যুলর ফাতাহ মুভমেন্টনা গজাগী এদমিনিষ্ট্রেসন পায়নবা চহী ১০ লাম্থেংনরকখিবা মতুংদা নৌনা অমুক পূনশিন্নগদৌরিবদু পাৱর-স্যেরিংগী অরুবা ইসূশিং লৈখাই তাবা ঙম্বগী মখা পোল্লি। ইসূশিং অসিনা মমাঙদা নাকল অনীগী মরক্তা শন্দাইনবদা অপনবা ওইখিবনি।

ইজিপ্টনা ৱাতেন্নগা ৱারী শানবদগী লাকখিবা হামাসকী খোঙথাং অদুবু অব্বাসনা তরাম্না ওকখি অমসুং মহাক্না য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়ারবা মতুং ন্যু য়োর্কতগী হল্লক্লগা পালিষ্টিনিয়ন লীদরশিংগী মীফম অমা লাংগনি হায়খি।

খোঙথাং অদুনা গজা ষ্ট্রিপতা থবক তৌনবা নেস্নেল রিকন্সিলিয়েসন গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা অমসুং মীখল পাঙথোকপা য়াহল্লগনি হায়না ওফিসল ন্যুজ এজেন্সী ৱাফানা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

মদুগী মমাঙদা পালেষ্টিনিয়ন গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, কাইরোনা ৱাতেন্বনা পালিষ্টিনিয়নশিংবু ষ্টেটহুদ মপূং ফানা ফংহনবদা মতেং ওইগদবা অচৌবা খুদাংচাবা অমা লাকহনখি।

তৌইগুমবসুং ফাতাহনা হায়খি মদুদি, গজাগী গভর্নমেন্ট মিনিষ্ট্রিশিং শিন্নবা অমসুং এনক্লিভ অদুগী ইজরেল অমসুং ইজিপ্টকা তাইনবা বোর্দর ক্রোসিংশিংগী কন্ট্রোলগী মতাংদা মখোয়না হামাসকী মায়কৈদগী তঙাইফদনা শেংদোরকপা চঙই হায়না লৌই।

হৌখিবা ২০১৪ দা হামাস অমসুং ফাতাহনা নেস্নেল রিকন্সিলিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসন অমা শেম্বগী ৱাফম য়ানখি তৌইগুম্বসুং মদুগী অকুপ্পশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা মমাঙগী জেনরেল ইলেক্সনদা হামাসনা মায় পাকখিবা মতুংদা শেমখিবা য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমা মতম শাংনা চৎখিদে।

গজা কন্ট্রোল তৌবা লেপহন্নবা হামাসতা প্রেসর পীনবগী পান্দমদা অব্বাসনা ইজরেলদা এনক্লিভ অদুগী ইলেক্ট্রিক সপ্লাইগী শেল থীবা তোকখি। মদুনা নোংমদা পূং মরি য়ৌদনা মৈ পীবগী ফিভম লাকহনখি। শাংলবদা নোংমদা পূং তরুক্তগী হেন্না মৈ থাহনখিদে।

কাইরোদা ৱারী শানবদা ফাতাহগী ডেলিগেসন অদুগী মকোক চিংখিবা অজম অল-অহম্মদনা ৱাফাদা হায়খি মদুদি, খোঙথাং অসিনা পালিষ্টিনি-য়নশিংগী য়ুনিটি হেনগৎহল্লগনি অমসুং খাইবুং খাইবুং তানবগী ফিভম লোইশিনহল্লগনি।

## চাইনানা টিবেট ফাওরগা নেপাল য়ৌগদবা হাইৱে হাংখ্রে



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : সিভিলিয়ন অমসুং ডিফেন্সকী হীরমশিংদা শীজিন্নবা য়াগদবা ষ্ট্রেটেজিক হাইৱে অমা চাইনানা নেপাল বোর্দরগী মনাক নক্লা টিবেটতা হাংখ্রে। চাইনিজ এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না খোঙথাং অদুনা বৈজিংবু সাউথ এসিয়াদা হাইজিনবা ঙমহল্লগনি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

সিগটসে এয়রপোর্ট অমসুং সিগটসে সিটিগী মরক্তা টিবেটতা শারিবা কিলোমিটর ৪০.৪ গী হাইৱে অদু ইরাই নুমিৎতা নেস্নেল হাইৱেদুগা নেপালগী বোর্দরগা শম্নহল্লিবা অতেনবা সেক্সন অমগা লোয়ননা ওফিসল ওইনা মীয়াম্না শীজিন্ননবা হাংদোকখি। হাইৱে অদুনা অনীথোক্লা শীজিন্নবা য়াবা সিভিল অমসুং মিলিটরি এয়রপোর্টকা টিবেটকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটিগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা পূং অমা চঙলম্বদগী মিনিট ৩০ দা তেনশিনহল্লগনি। ষ্টেটনা রন তৌবা গ্লোবল টাইমসনা এক্সপার্টশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, হাইৱে অদুনা চাইনাবু শেল-থুম অমসুং ডিফেন্স হীরম অনীমক্তা সাউথ এসিয়াদা হাইজিন্নবগী লম্বী অমা ফাৎলগনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না হাইৱে অদু নেপালগা শম্নগদবা রেলৱে লাইনগী মাঙওইনবা খোঙথাংনি। জিওগ্রাফীগা মরী লৈনবা মীৎয়েংদা হায়বা তারবদি সাউথ এসিয়াদা রোদ অমসুং রেলৱে কনেক্টিভিটি য়ৌহল্লকপা হায়বসি ইন্দিয়া, ভুটান ফাওবা অমসুং বাংলাদেশ য়ৌবা য়াই। চাইনিজ ওফিসলশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখি মদুদি, প্রোজেক্টশিং অদু পায়খৎপদা মতিক চাই অমসুং করিগুম্বা ন্যু দিল্লিনা য়ারবদি মদু ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ট্রেদ কোরিদোর অমা ওইরকপা য়াই।

অনৌবা লম্বীদু সিগটসে-লাসা রেলৱেগা খন্থ্রাংননা চেনমিন্নৈ অমসুং সিটি অদুগী রিংরোদশিংগা সাংহাইদগী নেপাল বোর্দরদা ঝাংয়ু ফাওবা চেল্লিবা কিলোমিটর ৫,৪৭৬ শাংবা জি ৩১৮ হাইৱেগা শম্নহল্লি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

জি ৩১৪ গী শরুক ওইনা হাইৱে অদুনা বোর্দর টাউন ঝাংমুগা টিবেটকী কেপিটেল লাসাগা শম্নহল্লি। মদু তুংদা লাক্কদবা বোর্দর লান্না শাগদবা চাইনা-নেপাল রেলৱেগা শম্নহনবা য়াগনি হায়না সংহাই ইনষ্টিট্যুট ফোর ইন্টরনেস্নেল ষ্টদিজদা সেন্টর ফোর এসিয়া-পেসিফিক ষ্টদিজগী ডিরেক্টর ওইরিবা ঝাও গানচেংনা ফোঙদোকখি।

## এইদ এজেন্সীশিংদা অপনবা পীদনবা তকশিনখ্রে

মদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :
লৈবাক মনুংদা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই লীশিং চা কয়াদা হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাং পীবা ঙম্নবা ইন্টর্নেসনেল হ্যুমেনিটরিয়েন ওর্গনাইজেসনশিংবু কনফ্লিক্টকী চৈথেং চাউনা নংলবা রখাইন ষ্টেটতা অপনবা অমৎতা পীদনা চঙবা অমসুং থবক তৌবা য়াহন্নবা মেদিসিন্স সাঞ্জ ফ্রন্টিয়র্স নৎত্রগা ডোক্টর্স ৱিদাউট বোরদর্সনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ম্যান্মারদা তকশিনখ্রে।

এম এস এফকী অপীল অসি হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা অরাকন রোহিংয়া রেজিষ্টেন্স আর্মি (অর্সা) না লমদম অদুদা লৈবা গভর্নমেন্টকী পোষ্টশিংদা নৌনা এটেক কয়া চথুবদগী রোহিংয়া ৪০০,০০০ হেন্না য়ূম্লোন্নবা বাংলাদেশতা চেন্নখিবা মতুংদা লাক্লিবনি। নোরদর্ন রখাইনদা লৈহৌরিবা মীশিং অদু মীওই লীশিং কয়া ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি অমসুং মখোয়দু মশক থোকপা অৱা-অনাগী তেংবাং অমৎতা ফংদনা লৈরি হায়না ইফে ন্যুজনা এম এস এফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না, সেন্ট্রেল রখাইন ষ্টেটতা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই ১২০,০০০ রোম কেম্পশিংদা লৈরি। চৎথোক-চৎশিন্দা অথীংবা লৈবনা মখোয় হিংনবগীদমক হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাংগী মখা পোন্না লৈ।

## দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱার্নিং মতুংদা পাকিষ্টাননা য়ু এসকা মরী লৈননা অকনবা ডিপ্লোমেটিক পোলিসি অমা শেম-শাখ্রে

*ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :*
*টেররিষ্টশিং লাকশিনবা ঙমদবগীনি হায়দুনা য়ু এসনা ইস্লামাবাদকী মথক্তা অথীংবা থম্লক্লবা নৎত্রগা পাকিষ্টানগী নেটোদা য়াওদবা মরুওইবা মীচং অমা ওইবগী ষ্টেটস হন্থহল্লকপা তারবদি পাকিষ্টাননা অকনবা ডিপ্লোমেটিক পোলিসি অমা পুথোক্লবা শেম-শারে হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।*

*য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সাউথ এসিয়া অমসুং অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা মহাক্কী অনৌবা পোলিসি খঙহল্লদুনা পাকিষ্টানবু টেররিষ্টশিংদা চঙজফম পীবগী কন্না চৈ-থাংখিবা মতুংদা পাকিষ্টানগী অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অসি লাক্লিবনি।*

*ট্রম্পনা মহাক্কী পোলিসি লাউথোকখিবদুগী মথংগী নুমিৎতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা করিগুম্বা ইস্লামাবাদনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎতবা তারবদি মসিগী নেটোদা য়াওদবা মরুওইবা মীচং অমা ওইবগী ষ্টেটস অদু হন্থহনবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।*

*এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা ফোঙদোকখি মদুদি, পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা ওপসন অহুম য়াওবা খ্বাইদগী কনবা ডিপ্লোমেটিক পোলিসি অমা শেম-শারে। ওফিসল সোর্ছশিংগী মতুংইন্না, পোলিসি অদুদা য়ু এসকা লৈনবা ডিপ্লোমেটিক মরীদা পনখৈ থম্বা, টেররিজমগা মরী লৈনবা ইসূশিংদা কোওপরেসন পীনবা হন্থহনবা অসুং অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা য়ু এসকী ষ্ট্রেটেজিদা কোওপরেসন পীদবা য়াওরি।*

*অরোইবা ওপসনদুদা অফঘানিষ্টানদা নেটোগী সপ্লাইশিংদা পাকিষ্টানগী লম শীজিন্নবা থীংবা য়াওরি হায়না পাউচে অদুনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক পোলিসি অদু নেস্নেল সিক্যুরিটি কম্মিটিনা এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা থবক্তা ওন্থোক্কনি। চৈরকসিদা, হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি মীফমগী নাকোইননা মখোয়গী লীদরশিংগী মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা য়ু এস অমসুং পাকিষ্টাননা মখোয়গী খেন্নবশিং লৈখাই তানরবা য়াই হায়না থাজনরি।*

*প্রাইম মিনিষ্টর মাইক পেন্সকা উনগনি অমসুং লৈবাক অনীগী ফোরন মিনিষ্টরশিংসু তোঙান্না উনগনি।*

**IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE : IMPHAL WEST, MANIPUR**

***Original (G&W) Suit No. 7 of 2017***

Km. Lourembam Radhamani Devi ... Petitioner
-Versus-
1. Smt. Lourembam Radhapiyari Devi and 5 others. ... Respondents

ꯈꯪꯍꯟꯕ/**NOTICE**

To

All the interested persons.

WHEREAS, the above named Petitioner has filed a petition under sections 52 and 53 of the Mental Health Act, 1987 for appointment of Guardian of Shri Lourembam Sharatchandra Singh, aged about 57 years, S/o Late L. Nilabir Singh and Late L. (o) Jamini Devi of Keishamthong Elangbam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur (a person with mental disability).

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person able to answer all such questions on 4th October, 2017 at 10:30 a.m. to file written objection. If any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Signed and sealed by the order of this court on this the 13th day of September, 2017.

**Seal :** **Sd/- Sheristadar,**
By : District & Sessions Courts : Imphal West,
Advocate Manipur.

HL-P/2925/19&20

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MOIRANG**

***Ref:- Mut Case No. 517/AS&SO/MRG Dated 15/09/2017***

Chanambam Jiten Mangang s/o Ch. Tomba Singh of Wangoo Sabal. ... Petitioner
-VS-
(Late) Chanambam Tomba Mangang s/o (L) Ch. Gandasingh of Wangoo Sabal. ... O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ/**NOTICE**

Moirang, the 18th Sept, 2017

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬২-ৱাঙু কৈরাপতা লৈবা পাট্টা নং (অরিবা), ১৬৯/২৮২ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১১০/১৬৪ এরিয়া ১.২৫ একর চাউবা লম তাওথবী অসিগী Pattadar মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা তাওথবী লৌফম অসিগী মৃত পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথুরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,Moirang, Manipur.

HL-P/2821/19

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST : LAMSANG**

***Ref:- Mut Case No. 864/SDC/IW-L/ 2017***

1. Khaidem Bhubon Singh s/o (L) Nodiya Singh of Lamdeng Awang Leikai, 2. -do- Tombi Singh s/o (L) -do- of -do-.
*-Petitioners*
-Vs-
Late Khaidem Nodiya Singh s/o (L) Kanglen Singh of Lamdeng Awang Khunou. *-O.P. Party*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/**NOTICE**

The 16/09/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খাইদেম নদিয়া সিংহ, পীং মৃ: কাংলেন সিংহ, সাং লমদেং অৱাং খুনৌগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৮৫, দাগ নং ১৬০ গী এরিয়া ০.৬৬০০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি দংকারি নং ১ না ০.৩৩০০০ মখাদা অমসুং দংকারিং নং ২ না ০.৩৩০০০ অৱাংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

***Sd/-* N. Shantabir Singh**
*HL-P/2178/19* Sub-Deputy Collector IW: Lamsang